# ৱারীমচা

## ঙাইখো

**রাজেন খুমুকচম**

**‘ঙাইখো!** ঙাইখো নখোয় লোয়নমক ঐনা হায়রিবসি অমুক্তা তাখো।’

মমায় ঙাঙশং ঙাঙনা মখয়াৎ লাউনা কাথোক্লুনা মখৌরিদা শিংলি মত্রং–মত্রং হেক থোকপমখৈ ঙংলদুনা চাওবনা হায়রকখিবনি।

মচা অনীগী হাক্তক্তা নীংবা কায়খ্রবা মতুংদা আশা কয়াগা লোয়ননা মচা অতোনববু অয়ূক্কী কোরৌগুম নুমিদাংগীনা থাজগুম য়েংজরদুনা লেমহৌরিবা পুন্সিবু তাশিন–খোমজিন্দুনা হিংলকখিবনি। মচা–তোনবনা নুপী অমা পুরক্লে হায়বগী পাউ ঙরাং নুমিদাংৱাইরম তাবদদি হায়ফম ফোঙদোকফম খঙদনা হরাউজখিবনি। মমাঙদা মানা থম্মোয় শোকখিবদু হন্দক্তি মচা–তোনবনা শোয়দনা নীংবা থুংহল্লগনি খঞ্জখিবনি।

নোংঙাল্লকপদদি নুপী ময়ূমদা পাউ হায়দোক্লুনবা ময়েক শেংনা খঙলক্লবদদি ঙসিসু চাওবা পূম্নমক তাইওন্নবা ওইরে হায়বা খঙলে। থোক্লিবা থৌদোক, তারিবা পাউসিনা তশেং তশেংলে খঙলবদা চাওবগী নুপী লৈমদি হায়ফম খঙদনা নুংনাংজরম্মী। মদু পূম্নমক ফনা ওইদুনসু হন্দক্তি মহাক্না মচা–তোনববু মথানুংদগী লাপথোকহনগে খক খনখিদরে। মমাঙথক্তা মপানা য়াদে পামদে হায়দুনা মচা অনী অমসু ইচা নত্তে, হায়বা ইন্দে ঐগী ধর্ম্ম ঙাক্তে হায়দুনা লাপ্না ইন্থোকপীখ্রবনি।

পাউ পূম্নমক তশেং তশেংনা খঙলবা লৈমনা কোয়চেন চেন্দুনা য়ূমথংনবা মরী–মতাশিং হায়রুদুনা অপোকপা মপানা ৱারৌজদুনা শাওজখ্রবসু চৎনবী হৌনবী কায়দনা অদুগীসু মথক্তা হৌজিক্কী মতমসিদি মতম ফত্তবনা নুপী ময়ূমদা পাউ অমদি হন্দোক্লুনবা শীঞ্জরি।

চৎনবীগী ফিজোল, চন্দোল–চৱা তরং–তরং থিল্লদুনা অহল ওইরপ তৌবা নুপা অহুমদং নুপী চেল্লকপগী পাউ হন্দোকপা লাকই।

চাউখৎলবা মতমনিনা ফকমক্তি থারমদ্রে। ৱারী–ৱাখোঙ হৌদোক্লরবা মতুংদা মরাঙ কায়না পাক চাউরবা তনাল–তনাল্লগা নীংথিনা লৈতেংলবা কা অমদা পুশিন্দুনা মোল্লবা সোফাশিংদা ফমহল্লে। অমুক্তা উনদ্রিবা থৌদৌদুদা মফমদুদা লৈরম্বা পূম্নমক কোইলাং লাংনৈ। তানিং–য়েংনিংবনা লাকপা মীগী মশীং সমুদ্রগী ঈথক্লুম ইৱাইরকখি।

চৎনবীনি হায়দুনা নুপীগী মপা–মপলশিংদুদা নুপা ময়ূমগী অহল অহুমদুনা কোক নোন্না খূ’লৈতানা খুরুমখি। থৌদৌদু উরুবদা কনাগুম্বা খরদি থিক–থিক নোকখি, কনাগুম্বা খরনা মপূক্নীং নুংওন্না লোন্না পীরাং তৈথোকপসু য়াওরি। খুরুম্বদগী হনগৎলক্লগা অহল অমনা মখা তারকই।

“সোমগী ইচানুপীদুগা ঐখোয়গী ইচানুপাদুগা মশা–মশা মতম কুইনদগী খঙনজদুনা ঙরাংসিদি য়ূমদা পুদুনা লাক্লে। অদুনা চৎনবী হৌনবী ঙাকচবা ওইনা ইথৌ অমনি খঞ্জদুনা পাউ হন্দোকচবা লাকচরিবনি।”

“ঐখোয়দি ইঙক–ঙকলুরে মতম ফত্তবসিদা মওং–মওংবু খল্লুরে। লাকপীরিবসিবু করি লমদগী ওইবীরবনো?”

নুপী ময়ূমগী মীশিংনা হায়রকখিবনি।

“ঐখোয় শগোলবন্দদগীনি।”

“নুপাদুদি করি থবক ইনখাং পায়রে?”

“কোলেজগী ওজা ওইজবনি।”

“করি কোলেজদরা?”

‘ডি এম কোলেজদনি।”

“য়ে অদুদি ইচানুপীসু মদুদা তম্লম্বনিনে।”

“হোয় মখোয়নীসি খঙনবদি কুইরমাল্লে, অদুদা ওজানা ছাত্রি লৌই হায়বসি থোক্তুনবা হায়দুনা নুপীমচাসিনা কোলেজ লোইশিনখিবসি ঙাইনরকপা মাল্লি।”

“ও অদুরা, ইচানুপীসিসু ডি এম কোলেজদগী বি এস সি লোইশিল্লগা মখা তমথ–তমথনা এম সি এসকী পরীক্ষা থাখ্রবনিনে।”

নিঙোল পোকপা, নুপা ওইরবসু পীনৌরকই। মচীন্দা শোল্লকই–

“ঐগী ইচানুপীসে লৈহাও অশেংবনি। তশেংনা মাদিকো খুলগী খোইমু ইলহন্দে। ঐনা করিগীরা হায়দুনা খন্দুনা খন্দুনা লৈরকপনি। অদুবু মাদি মমিং লৈহাও হায়বা থোল্লুবনা খোইমু ইলহন্দ্রবসু মাগীদি লাংদ্রুবীনা মপু হায়দু ওইরম্লে। ফরে মাগী মাগী লাইবক হায়বদুনি।”

তপ্না অহল অহুমদুদা য়েংলগা মখা তারকই।

“অদো নুপাগী মপাদি কনারা?”

নুপা ময়ূমগী অহলশিংদু পাক খুমদোকপা ঙম্নদে। খুমদবদি য়ারোইদৌবনা অমনা মখা তারকই।

“মপাদি মশা ঙমদদুনা ঙসিদি য়াওজরকত্রে। লাকচরিবা ঐখোয় নক্লবা মরী–মতাশিংনি।”

“এ মদু অচুম্বরা, তশেংনা মশা ঙমদবরা নৎত্রগা ঐখোয়বু হাওনি হায়দুনা পামদে শাদুনা নখোয়বু নেক্তুনা থারকপরা?”

“নত্তে–নত্তে, ৱাফমদুমদি ওন্নরে। তশেংনা মশা ঙমহৌদবনি। ৱাফমদুগী হায়রবদি থাজবীদ্রগসু লৈকাইদা লৈবা মীশিংদা হংবীবা য়াগনি। হৌজিক সোমগী ইচানুপীবু পুরক্লিবা নুপাসিগী ময়াম্বা অনীমক্তুনা লৌরিবা নুপীশিংদুসু মীতৈ নিঙোল অমতা নত্তে। অনীমক চীংমী নিঙোল ঙাক্তনি।”

“ফরে অদুদি নখোয় চৎখ্রো, মপানা মশা নাবা ফরগা মাবু ওইনা থারকউ, মখা ৱারী শাসি হায়পীয়ু।”

ৱাফমদুদা কোথরুগদবা হঙ্গোইবা ফাওনৈ। অহল অহুমদু অমুক্কসু হৌগৎলক্তুনা খুরুম্লগা তপ্না–তপ্না খোঙ থাঙদোরক্তুনা য়ূম মায়গৈ পাঙলকখি। গাড়ী মনুংদনি–

“য়াইনে চীংমী নিঙোল ওইজরবসু, য়ূমরৈ–কৈরৈদু মওং তাইনে, মপাদুসু লেমই। অদুবু খেন্নবগী চিন্তাদুমদি মহাক লোৎশিনবা ঙমদে।”

য়ূম য়ৌরে চাওবদি মনা পায়বা য়াদ্রি হায়বদুনি। মমা লৈমদি ময়া কাদুনা পাউদল্লিবদু তারি। মখা করি তৌসিগে খনবা হৌরকই। খুদক্তা চৎতুনা মমৌগী মশক য়েংনীংলকই। থৈফমদগী লৌশিল্লুনবা শেম–শাবা হৌরকই।

লৈকাইগী মৌনহা অনী ’হুমগা লোয়ননা থৈফমদগী মমৌবু লৌশিনবা লাকই। কনানবু তাকপীরিবা ইরু মাইথজথোক্তুনা চন্দোল সিরি মতেক অমগা থিল্লদুনা ফিনা মকোক্তা হায়ফেৎ খুন্নদুনা লৈরম্বদুদি কনাগী কৈনোনা কৈদৌজরুনি। লৈমদি মমৌবু উরুবদা নুংশিবনা হরাওবনা লুতোন থুক্ষৎখ্রে। লৈমনা মনাক্তা চঙলক্লবদা লৈহাওনা নোম্থরদুনা–

“ইমা নচানা খুরুমজরি।”

মরোনসু খোইদেনে’সিবু কনানা হাওনি হায়দৌরিবা! মদোম মথন্তা খঞ্জখি। নাক–য়েৎ য়েংলুবা শংদনা মমৌবু কোনখৎপীরদুনা মথানুংদা চেৎনা চেজেৎ কোল্লদুনা মকোক্তা নাম্থ–নাম্থবীরদুনা মমৌ অহলগী হাক্তক্তা থোকখিবশিংদু নীংশিংলকখি।

নুমিৎতু ইবৌচৌবা মানা পামজবী চীংমী নিঙোল অমা মাগী নুপী ওইনা পুরক্তুনা ময়ূমদা চঙলকখিবনি। মপাদা খুরুমগে তৌবদনি–

“চঙলক্কনু মহা পাপ্পী, ঐগী ধর্ম্ম ঙাক্তবা নঙদি ঙসিদগী ঐগী ইচা ওইদ্রবনি। নঙনা য়ূমসিদা লৈতবা য়াদে হায়রগনা ঐনা ওইনা য়ূমসি থাদোক্তুনা চৎখিবা তাবনি। চৎখ্রো চৎলো নশক্তু য়েংনীংদে।”

ইবোচৌবা ধর্ম্ম ঙাকচবা পান্বা মপাগী চিন্থক্তা খুন্বদি তৌখিদে অদুবু থম্মোয়নুংদদি কন্না নীন্দা তৌজখি।

নঙগী ধর্ম্ম, ঐগী ধর্ম্ম, মখোয়গী ধর্ম্ম পূন্না হিংমীন্নবা ঙমদবশিংগী ধর্ম্ম। ঐদি নখোয় কনামতগী থৌরীনা পুলহল্লোই।

মীৎকুপ্তুদগী থৌদোক্তুদগী নুমিৎতুমক্তদা মপাগী নীংবা থুংননবা ইবোচৌবা নুংশিরবী মমাগী মীৎয়েংদগী তাম্লকখিবনি। য়ূম থাদোক্তুনা ভারাদা লৈরকখিবনি। অদুনা লৈমা ঙসিদি মচা’তোনববু মীৎকুপ অমতসু মথানুংদগী লাপথোকহন্নীংখিদ্রে।

পরীক্ষা মথং–মথং লোইখিদুনা লৈহাও এম সি এসতা মায় পাক্লবী নুপী অমা হায়বদু ওইরে।

মতম্না পুরক্তুনা মচানুপা অমসু ফংজরে। মশুনুপাগী মতৌদা চাওবা লোন্না লোন্না কনা কঙহন্দনা চালি শাজে। অদুবু ঙসি ফাওবা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লবা হোৎনবদা মহাক, লৈহাওনা থোং–থাকপা করিগুম্বা অমতা চাদ্রি। কায়জদবী মনেম–মকুবু লুনা কিনা হঙ্গোইনা চৎচবী ওফিসার অমসু ওইরবী মমৌগী মফমদা চাওবা ঙসিদি মরাল লৈরবা মীশক হায়বদু মহাক ওইরে।

লৈহাও পোষ্টিং মফমদু লাপ্লবনিনা ক্বার্টরদা মতম খরদং লৈরুদবা য়ারক্তবদগী মচানুপা অপীকপদুদি হুন্দোক্লম্বা য়াদবনা মখূৎ শন্নদুনা কাফে–কাফে গাড়ী তম্না চৎলি। মপুবোক্তা ফল্লপ য়েংলদুনা “পুপুদা বাই বাই তৌরম্মু” হায়না মমানা লোন্না ইনশিল্লি। মতমদুদা চাওবনা লাউরকখি।

“ঙাইখো! ঙাইখো নখোয় লোয়নমক ঐনা হায়রিবসি অমুক্তা তাখো।”

# তাবুনুংদগী

মণিপুরগী অহানবা ফিচর ফিল্ম ‘মতমগী মণিপুর’ ১৯৭২ গী এপ্রিল ৯ দা পাউনা বাজারগী উষা সিনেমাদা ইহান হান্না রিলিজ তৌবা মতম অদুদা মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক মথুপ–মরাং হৌনখি। ফিল্ম অসিদা মিতমগী শক্তম লাংলিবা য়েংখোম রোমানা অঙাং অমা পোরগা শকখিবা ‘‘থা থা থাবুংতোন’’ মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখি। খুরাইজম ফুলেন্দ্রনা শৈরেংবা অদুগা অয়েকপম কমলানা শকখিবা ঈশৈ অদুগী ময়েক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

## থা থা থাবুংতোন

থা থা থাবুংতোন,  
ঙাল্লি চীক্লা নোংমদোন  
থৱান্মীচাক পরেংনা,  
উইরুম উইরুম য়েংলিয়ে।

লুপা মফোল লৈচীলনা,  
তুম্নীং তুম্নীং তাউরিয়ে  
অহিং নাউশুম তম্পাকথক,  
তাইবঙ জীব উইথরে।

লৈচীল শগোল চিংদুনা,  
থাবল দোলাই তোংদুনা  
পলেম ঈশৈ তাদুনা,  
তুমখুন তাল্লো অপিশক  
রেশম নোংদোন ৱাংমদা–  
চৎলো চৎলো মঙলৈবাক্তা  
থা থা থাবুংতোন... হুম হুম হুম হুম...।।

*ফিল্ম ঃ মতমগী মণিপুর*  
*শৈরেংবা ঃ খুরাইজম ফুলেন্দ্র*  
*শৈশকপী ঃ অয়েকপম কমলা*

# মণিপুরী পাষ্টে–পাউরৌ, পাউতাক

* **কৈ অতিংবদা উচি চঙবা।**
  – কান্নবা ফংলোইদবা মফমদা থবক তৌরুবা।
* **কৈথেল ষণদগীসু হেন্না অনম কনবা ইকায় খঙদবসু লৈরম্মী।**
  – ইকায় খঙদবা মীবু কৈথেল ষণগা চাংদম্নবা।
* **কৈথেল ষণ থীদেবা (মায়থাবা)**
  – ইকায় খঙদবা মীবু করেম্নবা মওংদা ঙাংবা।
* **কৈথেল নংবা থবক ৱায়োং চাদে।**
  – হোবে হোবেদা তৌবা থবক মচু তাদে।
* **কৈথেল নুপীনা ৱাশকপা।**
  – অচুম্বা ৱা ঙাংদবা, মৱা লৌবা য়াদবা চীন্থিবী নুপী।
* **কৈ–খা লোৎপা (নোনবা) মীদি চৈ থার–থারগা মতীং উৎলকই।**
  – মরীল লৈতবা মীদি ৱাহল্লগা শাওহল্লগা মশিংখা ফুদোরকই।
* **কৈ লৈতবদা শনজীং ওলহনবা।**
  – ইচম চম্বা থবকপু (ৱাবু) য়াম্না চাউবা থৌদোক ওইহনবা।
* **কৈথেল কাদবী নুপী লোয়শঙ কাদবা নুপা।**
  – ময়ামগী মরক তিন্দবদগী হৌন–লোনচৎ খঙদবা নুপা নুপী।
* **কৈথেল শেন্দ্রাং চরা হেনবা হৌনদে।**
  – কৈথেলদা লৈবা মীদি হৈথোই শিংথোইবদগী চীঞ্জাক ৱাৎকনি হায়বগী অৱাবা লৈতে।
* **কৈথেল নংনবা থোংবা চাক মরৈ মুনবা ৱাৎপনি।**
  – অথু অকায়দা তৌবা থবক্তি মচু তাবা হৌনদে।
* **কৈথেল মচী কাগনু।**
  – অহোং–অচাও ফংগে হায়রবদি মফম অমত্তদা নৈশিন্দুনা লৈরোইদবনি।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– ৱা ঙাংদনা চহী অমত্তং চাক চাবা মীদুনা চহী লীশীং–লীশীং স্বর্গ লোক্তা নুংঙাইনা লৈবা ফংই।
– অপাম্বা, অশাউবা মিহৌবা, অহাউবা চাবা, কে মৌবা, হরাউ–কূম্মৈ, হেন্না তুম্বা অমসুং পাউ তমগনবা হায়রিবশিংসি মহৈ তম্মীবা মীনা থাদোক্কদবনি।
– শীজিন্নদবা লমদা হৌবা উহৈ অমসুং মৱূ–মরাং চাদুনা লেল্লিবা, বনদা নুংঙাইনা লৈরিবা অদুগা মতম পূম্বদা শ্রাদ্ধ তৌদুনা লৈরিবা ব্রাহ্মণবু ঋষি কৌনৈ।
– নোংমদা অমুক্তা চারিবা, কর্ম তরুক পাঙথোক্লিবা লেপ্তনা, ঋতু মতমদদা য়ূম্বাল্লিবা ব্রাহ্মণ অদুবু দ্বিজ (অনীরক পোক্লবা) কৌই।
– সংসারগী চৎনবীদা লৈরিবা, শা–ষণ য়োক্লিবা, লল্লোল্লিবা অমদি লৌউ–শিংউরিবা ব্রাহ্মণদু বৈশ্য কৌনৈ।
– চাগী পোৎ, থাউ, নীম, মুগাগী ফি, খোইহী, ঘী, য়ু অমদি শা য়োল্লিবা ব্রাহ্মণদু শুদ্র কৌই।
– অতোপ্পগী থবক্তা অকায়বা পীবা, পোংজ–চাউজবা, মশাগী ওইজবা থিবা, মীনম্বা, য়েক্লবা পাম্বা, থোৎনদি ঙাংবা, মবুক কনবা, অদুগুম্বা ব্রাহ্মণ অদু হৌদোং কৌই।
– পুখ্রি, গুহা, পুখ্রি অচৌবা, লৈকোন, লাইশঙ মাঙহল্লিবা ব্রাহ্মণ অদু ম্লেছ কৌই।
– লাইগী পোৎ, গুরুগী পোৎ হুরাল্লিবা, অতোপ্পগী নুপীগা মরী লৈনবা অদুগা চাদবা লৈতবা ব্রাহ্মণদু চন্দাল কৌই।
– দরকার ওইবদগী হেন্না লন পৈশিনবগী মহুত্তা পীথোক্কদবনি। দান তৌবতনা কর্ণ, বলি অমসুং বিক্রমাদিত্যগী মিংচৎ ঙসি ফাওবা লৈরি। মশানা চাবসু তৌদবা, মীঙোন্দসু পীদবা খোইহীবু খোইনা তুংশিল্লি অদুগা কনাগুম্বনা লৌথোকখ্রবা নীংবা কায়না লৈহৌই।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

১৮৮. নুপা অমনা লম্বীদা লাকপা মী অমদা মাগী ষণ মাঙখিবা উরম্ব্রা হংই, মানা হংবা মতমদা ষণদুগী মশক মওং মচু তাকই। লম্বীদা লাকপা মীদুনা খুম্লকই– ষণদুদি মপাল শাদনা মহয় য়ানবা উপালগী মখোঙদা শৰু য়াওদবা শানা চাহৌরবনি–করি হায়রিবনো?

১৮৯. শগোল তোংবা অমনা ফিশুবী অমদা হায়, ঐগী শগোলসি খরা শুবীয়ু ফিশুবীদুনা করি খুমগদগে?

***মমাঙ নোংমাইজিং (৩০–০৬–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

১৮৫. শিখ্রে হায়বনি।

১৮৬. য়ূম কুপ্পা চৎখি হায়বনি।

১৮৭. ঙরাং ফোয়বা লৌহোন অসি লিংবা চৎখি।

# চয়োলশিগী ফাগী

**মেজিক হৈবী মমা!!**

কোইনা চৎপা মেজিসিয়ন অমনা স্কুলদা উৎপা মেজিক য়েংলুরগা ময়ূমদা হল্লকপা ননাওনা মমাদা হংই–

ননাও – মমা–মমা, মমাসু মেজিক হৈব্রনে?  
মমা – (ইঙক ঙক্না) কৈনোনে ননাও মমাবু মেজিক হৈব্রা হায়না হংঙিসিবো।  
ননাও – (ঙাইহাক খঞ্জান্নরগা) হৈরম্নি কৈসু নঙ, নঙদি বাবাবু খুদোম্বীদা লৈহল্লি হায়না ’বোক্লা হায়সিদি।

**কল্লক পেনবা!!**

লৈকাইগী মমান্নবা পাখঙ তরুকখক হৌনদুনা পুল্লগা জ্বার শান্নবা থৌরাঙলম্মী। মখোয়গী মরক্তগী অমনদি শান্নদনা– শান্নরদি চেনা অহুম য়েনবী ফ্লাস ওইনা শান্নসি কন্না হায়জে। অদুবু অতৈদুনা য়াদবদগী চেনা মাপল য়েনবী বোম–ফ্লাস ওইনা শান্নরনি লেপ্পরদুনা চে য়েল্লি। চে য়েনবা লোয়দুনা চেনা ৯/৯ দু মখূৎ–মখূত্তা পায়খৎনবদং ঙাইরি, কদোমদৈনো খঙহৌদনা খূৎলাই পায়বা নহারোল ২/৩ চঙলক্তুনা নম্নে– “মতুং–মনাও অমুক তৌগনু, ঙসিগী ওইনদি নখূৎ–নখূৎতা পায়নরিবা চেনাশিংদু শাইদুনা য়োৎশিন্নৌ।” দন্দিনিনা মখোয় তরুকমক জ্বারচেশিংদু শাইনদুনা য়োৎনৈ। ঙাইহাক লৈরগা নহারোলশিংদুনা চৎখ্রবদা, ফ্লাস শান্নসি হায়জখিবদুনা অতৈদুদা শাওরপ হায়রকই– “কল্লক পেল্লি, মীনা ঙসাইনা ফ্লাস শান্নসি হায়দি য়াদ্রগা!”

**নুপীগী শক্তি!!**

বিলাসিনী – নুপাকাইসিনা ঐখোয় নুপীগীদমক্তা তৌবা ঙম্বসে অঙকপনিহে! মায় তোম্বীগী নুপাদো ইনাক খুঞ্জরবসু লাইরিক্তি মেত্রিক লানখিদেদনা, অদো ঐখোয় ময়াম মমাঙদা ইকায়জৈ হায়দুনা তোম্বীনা তকমনবদগী মরন্নাই তমদুনা হন্দক বি এ পাস তৌরেয়েনে।  
শখি – ইশ! মদুদা ঙকপীরিবা নহাক্না হেন্না ঙকখ্রে ইবেম্মা! হন্দক্তা লুহোংখিবী শমাগী নুপাদুদি এম এ ডবলনি হায়দুনা লাইরিক হৈবদা মমিং চৎখিদনা অদো হৌজিক্তি অঙাংদৌনা পুংপঙ–পঙশিনখ্রে হায়য়ে।

# শৈরেং

## সংস্কারগী মৈরীলক্তুদা

*– রাজকুমারী মীনা*

মোঙফমথক্কী মৈরীলক্তুদা  
পুন্সি পম্থুং ফংলবা থৱায় অমা  
নীংঙাইদনা তুম্লি  
মোঙফমথক্কী মৈরীলক্তুনা  
কাথেক্লবা মায়থোঙদুনা  
উৎলম্মী শক্তম অমা  
খাঙমদ্রবা চৈফুগী  
অৱাবা অৱাবা  
উৎলম্মী মানা লৈজবী থৌনা  
পীরম্মী মানা মায়থীবা  
অঙম্বশিংদুগী মথক্তা  
মোঙফমথক্কী মৈরীলক্তুদা।

## পূক্লি তৎলবা তেলঙ্গা

*– এন প্রোমিলা*

পাইরি হাঙলা নোংদোন অতিয়াদা  
পূক্লি তৎলবা তেলঙ্গানা  
মালংগী তাম্থাদা হাই–হুমনা।

শাৎলি অহিংগী লৈরাঙনা  
য়েংবীনবা য়াওদনা, নম্বীনবা লৈতনা  
তাইবঙনা তুমখুন তানখ্রবা পূংজাদা।

চেল্লি নীংখায়রবা তোর্ব্বানগী ঈচেলনা  
মায়কৈ উদ্রবা পাক্লবা ঈপাক্তা।

পাইরি মপাঙ কায়নরবা  
পোম্বী চেক্লানা ককঙাওননা  
চীংলোন মাপলগী ৱাংমদা।

চৎলি নাকেম্থাগী কাহৎলবা লম্বীদা  
থওইবীদ্রবা, মীমান্নদ্রবা  
লম্মাঙনরবা, চমোৎনরবা  
খুইথরবা পুন্সি কনা’মনা  
পম্থুংফঢ খঙদনা চোকথবমখৈ।

## প্রজা

*– মাইস্নাম বীযেশ্বর*

লৈবাক মীয়াম অৱাবা মতমদা  
ভারত সরকারদগী তেংবাঙ ফংই  
ঈকং থোকএ তেংবাঙ মরাকই  
ঈচাউ থোকএ তেংবাঙ মরাকই  
তেংবাঙ প্রজাশিং খাঙতপ্না মতোকইব্রা  
ৱারিবা প্রজাদি শোয়দনা খঙফম থোকই  
তেংবাঙ ফংই–ফংদে হায়বসে  
লৈঙাকইবশিং মখল মথেলনি  
ইচুম চুম্না শীন–লাংঙিব্রা।  
চুমদনা লৈথোকপসু য়াওরিব্রা  
খুঙ্গংগী শিন্মীশিংনা শাক্কিনি

ৱারিবদা মতেং পীবিবা ঈশ্বরগা পাঙখকনি  
মসি পূম্বসে কাউথোকপসু লৈবা জাৎলা  
তেংবাঙ ফংবনা খুনমীশিংনা হরাউজবা  
ফংজহৌদববনা লায়র–চুদৎননা লৈহৌবা  
অদুম মশানা তাকচরবনি  
অশিন–অরাংশিংনা লৌমী ফীভম খঙবীয়ু  
অৱাবশিংদা মতেং পীবিয়ু।  
লৈঙাকপশিংবু হন্না হন্না থাগৎচগে।  
মীচঙ শঙ্গা থাদোকপীয়ু প্রজাগীদমক।

## নেশাৱালা

*– তোলচৌ শমজেৎশাবম*

হো নেশাৱালা! হো নেশাৱালা!  
ইকায়বা লৈতে, হঙ্গোইবা য়াওদে,  
ৱাগনি খন্দে, নঙ্গনি কিদে,  
নঙনা ৱারিবদি নেশা খক্তগীনি।  
পুন্সি মমল কাউথোকচৈ নচীঞ্জাক্লা,  
মশক থীহল্লি নখোয়না খুন্নাইসি।  
নেশানা চারবা নেশাৱালাশা!  
থকচীল্লি চাশীল্লি নবুক থন্না,  
মাঙলে নশাসু, তুম্লে নরলসু,  
ৱারে চান্নবীসু, কপ্লে নচাসু।  
য়ৈখায়রে থুগায়রে মাঙহল্লে তাকহল্লে,  
ৱাবীদা নঙগীদমক অউবা মখৈনা।  
অশিংবনা থকই হিদাক ওইনা,  
পূক্লাওবনা থকই নেশা ওইনা,  
য়ু গঞ্জা কানি...  
হো নেশাৱালা হো নেশাৱালা।

## মপুরেল

*– ইরোম মোবি*

লৈবা নুংঙাইবা  
চারুবা খুদিং হাওবা  
ইহাওতা হাওবা  
ইনুংদা নুংঙাইবা  
হাওফম থোকই  
নুংঙাইফমসু থোকই  
অদুনবু সনালৈবাক কৌরম্লিবনি।

ইরমদমগী মীশিংনা  
চাজবা ফাও কোন্নদ্রিঙৈ  
মপাল লমদা থাদোকখ্রদি  
করি চানি ঐখোয়?

মপান্দগী পুশিল্লকপা  
হিদাক হাপ্পা, চায়বা উহৈ–ৱাহৈ  
মতম হেল্লবা মহৈ–মনাই  
মমল তাঙনা লৈদুনা  
থকপা চাবা ফরোই।

ইশাগী লমদা থোকচবশিং  
চাবা য়াবা চাদুনা অমদি  
মহি ওইনা মপঙ ওইনা  
মখল মথেল পুথোক্তুনা  
শীজিন্নবনা ফনিদা মপুরেল।

## শিকিগী অহুম

*– এম কে সরোজ খান*

ইবোক্লা ৱারী লীবিরম্মী  
শিকিগী অহুম তৌবগী  
হঙ্গাম মপুল য়োনবগী।

ইমানা ৱারী লীবিরম্মী  
শিকিগী অহুম তৌবগী  
হৈমাঙ চুহি তোৎপীদো।

ঐনা ঙসি থেংনরি  
শিকিগী অহুম তৌবগী  
মীওইবগী পুন্সি য়োনবগী।